## চাইনাদগী হোন্দোকপগী থৌরাং কেন্সেল তৌখ্রে

ধকা, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
শাথিরবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ মরক্তা চাইনাদা লৈহৌরিবা বাংলাদেশ মচা ১৭১ হোন্দোকপগী থৌরাং ফ্লাইট অমা এরেঞ্জ তৌবা ঙমদবদগী বাংলাদেশ গভর্নমেন্টনা কেন্সেল তৌখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর এ কে অব্দুল মোমেননা ধকাদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা গভর্নমেন্টনা চাইনাগী প্লেন অমা ৱাইবা ঙম্লম্বা থোক্লবদি রুহানদা লৈরিবা বাংলাদেসি পুম্নমক হোন্দোকপা য়ারমগদবনি।

## কাঙলুপকী খুৎ থোক্লবদা শিখিবা ১০ শুরে

নুর-সুল্টাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
কজাখষ্টানগী খা থাংবা শরুক্তা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৭ তা থোকখিবা কাঙলুপ মশেল খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তগী অশোক-অপন নংখিবশিংগী মরক্তগী মীওই ২ শিখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শিখিবা মী মশিং পুন্না ১০ য়ৌরে হায়না ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## থাই লান্মী অমনা সোপ্পিং মোল অমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ২৬ শিরে, অতৈ ৫০ হেন্না শোক্লে



বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
থাইলেন্দগী লান্মী অমনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা সিটি অমদা লৈবা সোপিং মোল অমদা অউ-অউবা মীওইশিংদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবা মীওই ২৬ শিরে অমসুং অতৈ ৫০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুঠ চান-ওচানা নোংমাইজিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লান্মী অদু লমগী দিল অমদা মহাকপু নমথাক তৌবিরে হায়বগী ৱাখলদা খোইরাং-খোশাওনবদগী থৌওং অদু চথখিবা মাল্লি হায়না নোর্থ ইষ্টর্ন সিটি নাখোন রটচষ্টিমাদা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলিবা মীওইশিং য়েংশিনবা লাকখিবা প্রয়ুঠনা ফোঙদোকখি।

লান্মী অদু অহিংদা সিটি অদুগী টর্মিনেল সোপিং সেন্টর অদুকোয়শিন্দুনা থম্লবা মতুংদা আর্মদ ফোর্সেসনা হাৎখি। ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, থাই লান্মী অদু মহাক্কী কম্মানিদং ওফিসরগী মরী মতা অমগা চথুনখিবা লমগী দিল অমগা মরী লৈননা মমাংদা অশাওবা উৎখিবা লৈ। হুরাল্লকপা হমভি অমদা তোংলগা লাকখিবা লান্মী অদু আর্মি বেজগী আর্সিনেলদগী হুরকপা এসোল্ট খুৎলায় অমা অমসুং এম্যুনেসন লোয়নখি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সোপ্পিং মোল অদুদা পোৎ লৈবা লাকখিবা মীওই চা কয়া পাকথনরগা মফমদুদগী চেন্থোক্লখি অমসুং পুলিস অমসুং আর্মিনা পুং ১২ হেন্না মী কনবগী ওপরেসন কয়া পাঙথোকখি।

অকিবগী মশক্লি, মরক মরক্তা নোংমৈগী মখোল তাখি, পুং কয়া চুপ্লা ঐখোয়না পুলিস লাকপা ঙাইখি হায়না ৱা ঙাঙবদা খোঞ্জেল নীক্লবা মশাগী চহী ২৭ শুরবী সুভানরট জিরাটনাস্কুল কৌবী নুপী অমনা মফম অদুদগী থোরক্লবা মতুংদা ফোঙদোকখি। মোল অদুগী মনুংগী সী সী টি ভি ফুটেজদা ফিমু শেৎপা অমসুং মাইখুম উপ্পা লান্মী অদু মরেংবান্দগী নোংমৈ য়ান্থরগা মনাক্তা মী অতোপ্পা লৈবদি উদনা চৎপগী শক্তম উখি। পুলিসনা সুটর অদু মশাগী চহী ৩২ শুরবা জক্রপন্ঠ থোমা কৌবা লান্মী অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

## ইরানগী সেট্টলাইট লোঞ্চ মিসাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈনৈ : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস



দুবাই, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
ইরানগী স্পেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সেট্টলাইট অমা থাগৎলগনি হায়না গভর্নমেন্ট মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনদি মদু বলিষ্টিক মিসাইল দিভলপমেন্টকা মরী লৈনৈ হায়খ্রে।

জফর সেট্টলাইট অদু ঙসি সেনামদগী কিলোমিটর ৭,৪০০ কী খোঙজেলগা লোয়ননা থাগত্তুনা ওর্বিটতা থম্লগনি হায়না ওফিসল আই আর আই পি ন্যুজ এজেন্সিনা লৈবাক অসিগী মিনিষ্টর ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি মোহমদ জবদ অজারি-জহুরোমিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা হায়খি।

পনবা য়াবদি, ইরান্না হৌখিবা চহীদা সেট্টলাইট লোঞ্চ অনী পাঙথোকখিবদা মায় পাকখিদবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নুংনাংলিবদি সেট্টলাইটশিং ওর্বিটতা থম্বদা শীজিন্নবা লোং-রেঞ্জ বলিষ্টিক টেক্নোলোজি অসিবু ইরান্না ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং পুহনবদা শীজিন্নরকপা য়াই হায়বসিনি। অমরোমদা, টেহরান্নদি মখোয়গী সেট্টলাইট থাগৎপগী থবক থৌরমশিং অদু মিসাইল দিভলমেন্টকা মরী লৈনৈ হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোত্তুনা লাক্লিবনি।

## এন সী ও ভিনা শিহনবা ৮১১ য়ৌদুনা সার্সনা শিহনখিবদগী হেনখ্রে



বৈজিং, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
চাইনাদা নোভেল কোরোনাভাইরস লাইচৎনা শিহনখিবা মী মশিং নোংমাইজিং ফাওবা ৮১১ য়ৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০৩ দা থোকখিবা সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সার্স)কী লাইচৎতা শিখিবা মী মশিংদগী হেনখ্রে।

চাইনাগী নেসনল হেল্থ কম্মিসন্না থাদোরকখিবা দেতানা মেনলেন্দ চাইনাদা অহিং নোংয়াই ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং ৮১১ য়ৌরে হায়বসি উৎখি। মশিং অসি চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা হোং কোংদা শিখিবা অমদি হৌখিবা চয়োলদা ফিলিপিন্সতা শিখিবা মী মশিং থাদননি। মফম অনীসিদা শিখিবা অমমম থারগা লাইচৎ অদুদা হৌজিক ফাওবা শিরিবা মী মশিং অসি পুন্না ৮১৩ শুরে।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না কুমজা ২০০২-০৩ গী মরক্তা সার্সকী লাইচৎনা মালেমগী ওইনা মীওই ৭৭৪ গী পুন্সি লোমহনখি। মেনলেন্দ চাইনা খক্তদা লৈরিবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশিং ৩৭,১৯৮ অসি সার্সকী লাইচৎ লৈরিঙৈ মনুংদা মালেমগী ওইনা রেকোর্দ তৌখিবা কেস মশিং ৮,৪৩৭ দগী য়াম্না হেল্লবনি।

সার্সকী লাইচৎ অসিসু চাইনাদা লৈবাক অসিগী সাউদর্ন গুৱাংজৌ প্রোভিন্সতা হৌখিবনি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা হুবৈ প্রোভিন্সকী কেপিটেল ওইরিবা সেন্ট্রেল-ইষ্টর্ন সিটি রুহানদা লৈবা সী ফুদ মার্কেট অমদগী শন্দোকপা হৌখিবনি। লৈবাক ২০ লোমদা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং লৈরবসু মালেমগী ওইনা অপুনবা ইনফেক্সন মশিংগী চাদা ৯৯ লোমদি চাইনাদা ওইরি।

ভাইরস অসিগী অহানবা ফোরেন ভিক্তিম অনী থাংজ নুমিত্তা রুহানদা শিখি। মীওই অনীমক চহী ৬০ হেল্লবা ঙাক্তনি। অমনা অমেরিকান সিটিজননি অদুগা অতোপ্পা অদুনা জপানিজনি। কোরোনাভাইরস কেসশিং লৈরবা অতৈ লৈবাকশিং অদুদি জপান, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ, হোং কোং, সাউথ কোরিয়া, টাইৱান, ওষ্ট্রেলিয়া, মালেসিয়া, জর্মনি, য়ু এস, ভিয়েটনাম, ফ্রান্স, মকাও, কেনাদা, য়ু এ ঈ, ইন্দিয়া, ফিলিপিন্স, য়ুক্রেন, ইটালি, রসিয়া, কম্বোদিয়া, ফিনলেন্দ, নেপাল, শ্রিলঙ্কা, স্পেন, বেলজিয়ম অমসুং স্বিদেন্দনি।

## অফঘান য়ুনিফোর্ম শেৎপা অমনা চথখিবা এটেক্তা য়ু এস সর্ভিস মেম্বর অনী শিখ্রে, মীওই তরুক অশোক-অপন নংখ্রে

কাবুল, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানদা অফঘান লান্মীগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওই অমনা মেছিনগন্না কাপ্পদা য়ু এস সর্ভিস মেম্বর অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ তরুক্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না য়ু এস মিলিটরি অমসুং অফঘানিষ্টানগী সিনিয়র ওফিসল অনীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘান অমসুং অমেরিকান লান্মীশিংগী মরক্তা থাংজ নুমিত্তা নোংমৈ কাপ্লকখিবা অদুদা নাকল অনীমক্তা মীশি-মীনাশিং থোকখিবা ওইরবসু অফঘানশিংগী মায়কৈদা থোক্লিবা মীশি মীনাগী অকুপ্পশিংদি ফংখিদে হায়রি।

নঙ্গরহার প্রোভিন্সকী সির্জাদ দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ হেদক্কাটরসতা য়ু এস অমসুং অফঘানগী অপুনবা ফোর্সশিংনা মরু ওইবা এগেজমেন্ট অমা পাঙথোকমিন্নরবা মতুংদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সেসকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

কর্নেল সোনি লেগেটনা হায়খি মদুদি, রিপোর্ট খরনা অফঘান য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওই অমনা মেছিনগন অমা শীজিন্নদুনা অপুনবা য়ু এস অমসুং অফঘান ফোর্সতা নোংমৈ কাপশিনখি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎখি।



হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ইনফোর্মেসন লৌনবা হোৎনরি অমসুং এটেক অদু করি মরমগী চথখিবনো হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এটেক অদুগী মতাংদা টালিবানগী মায়কৈদগী ক্লেম তৌরকপসু লৈতবনা মরম ওইদুনা সিনিয়র ওফিসলশিংনা মদু অফঘানিষ্টানকী কনফ্লিক্ট অদুদা তোয়না থোক্লিবা ইন্সাইদর এটেক অমা ওইরমগদ্রা হায়বগী মতাংদা থিজিল্লি।

নোংমৈ কাপখিবা অফঘান য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওই অদুসু নাকল অনী কাপ্পবদুদা শিখি হায়না নঙ্গরহারগী প্রোভিন্সিএল কাউন্সিল মেম্বর সোরাব কদিরিরিনা ফোঙদোকখি।

## য়ু এস পিছ প্লানদা ইন্টরনেসনল লো ভাইওলেসন ৩০০ য়াওই



রমালাহ, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
'চহী চা অসিগী দিল' হায়নসু খঙনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মিদল ইষ্ট পিছ প্লান্দা ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবা মতাং ৩০০ য়াওই হায়না সিনিয়র পলিষ্টিনিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (পি এল ও) এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা অহমদ মজদালানিনা থাংজ নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, প্রসিদেন্ট মহামৌদ অবাসনা মথং চয়োলদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ভাইওলেসনশিং অদু পুথোক্তুনা খঙহল্লগনি।

মথংগী লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ন্যু য়োর্কতা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট অবাসনা চহী চা অসিগী দিলনা ইন্টরনেসনল লো ভাইওলেসন ৩০০ য়াওবা দোক্যুমেন্ট অমা পুথোল্লগনি হায়না মজদালানিনা ফোঙদোকখি।

অবাস নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এসতা চত্তুনা মথংগী নুমিত্তা পিছ প্লান অদুগী মতাংদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙগদবনি। ভোট লৌনবগীদমক্তা দ্রাফট রিজোল্যুসন অমা কাউন্সিলগী মেম্বরশিংগী মমাংদা পুথোক্কনি।

মজদালানিনা হায়খি মদুদি, ইন্টরনেসনল লো অমদি রিজোল্যুসনশিংগী ভাইওলেসনশিং উৎপা দোক্যুমেন্ট অদু পি এল ওনা শেম শাখিবনি। য়ু এসকী থৌরাং অদু পলিষ্টিনিয়নশিংবু লৈহন্দনবা হোৎনবা অমদি মখোয়গী মশানা মরোদোম লেপচবগী রাইট ফংহন্দবগী ফিভমদা য়ুম্ফম ওই হায়না পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, প্লান অদু ইন্টরনেসনল রিজোল্যুসনশিংগী মহুৎ অমা ওইনা পুথোক্লিবনি।

চৈরকসিদা অবাসকী ফটাহ পার্টিগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন মহমৌদ অলাওলনা হায়খ্রে মদুদি, প্রসিদেন্ট অবাসনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙবা মতমদা মহাকপু শৌগত্তুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রেলি কয়ামরুম পাঙথোল্লগনি। জেরুসলেম্বু ইজরেলগী মচেৎ তাদবা কেপিটেল ওইনা শকখঙবগা লোয়ননা ষ্টেট অনী শেম্নগী সোল্যুসন অমা পুথোকপগী ৱাফম য়াওবা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইরবা প্লান অদু ট্রম্পনা জন্যুৱারি ২৮ দা উৎথোকখিবনি।

## সিরিয়ন আর্মিনা ইদলিব প্রোভিন্সকী মরুওইবা সিটি পায়শিনখ্রে

দমাস্কস, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স ইদলিবকী মরু ওইবা সিটি সরাকেব সিরিয়ন আর্মিনা পায়শিনখ্রে। লৈবাক অদুগী ওপোজিসনগী অরোয়বা ষ্ট্রোংহোল্ড অদুদা সিরিয়ন আর্মিনা লেপ্তুনা লাঞ্জং চঙশিনখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা সানা ন্যুজ এজেন্সিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, সিরিয়ন অরাব আর্মি য়ুনিটশিংনা টেররিষ্টশিং তকথোক্লবা মতুংদা সিটি অসিদা মখোয়না থম্লম্বা এক্সপ্লোসিভস অমসুং লেনমাইনশিং লৌথোকপগী ওপরেসনশিং মপুং ফানা লোইশিল্লে। সরাকেব অসি সিরিয়াগী খ্বাইদগী মরু ওইবা সিটি অনী দমাস্কস অমসুং অলেপো শম্নহল্লিবা এম ৫ হায়ৱেদা ওপোজিসন অমসুং ইস্লামিষ্ট রেবেলশিংনা দোমিনেট তৌবা অরোয়বা সিটিনি।

ওপোজিসনবু শৌগৎলিবা টর্কিনা কুমজা ২০১৮ দা রসিয়াগা য়ানদুনা সরাকেবতা শেমগৎলিবা দিমিলিটরাইজ জোন অমদা টর্কিস ওবজার্ভেসন পোইন্ট ১২ থল্লিবনি।



চহী ৯ লোম শুরক্লবা সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট অদুদা রসিয়ানা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদপু শৌগত্তুনা লাকখি। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা পোইন্টশিং অদুদা লৈরিবা টর্কিস ট্রুপশিংগী লাইবক করি ওইরক্কদগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

টর্কিনা ইদলিবতা রিইনফোর্সমেন্টশিং থাজিনখিবগা লোয়ননা চয়োল অসিদা লমদম অদুদা লৈরিবা টর্কিস ফোর্সশিংগী ভেহিকল মশিং ১০০০ হেনখ্রে হায়না য়ু কেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

সরাকেব সিটি পায়শিল্লবা মতুংদা সিরিয়ন আর্মিনা নোংপোক পাংনা মখা তানা লাঞ্জং চঙশিন্দুনা অলেপো প্রোভিন্সকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ পনখৈগী মনুং চন্না লৈবা টাউন মঙাসু অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। এম ৫ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরদুনা সিরিয়ন আর্মিনা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎলকখিবনি হায়না সিরিয়ন মিলিটরি সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

## ইরান্না টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা ৱাতেম্নবা শেম শারে : ফোরেন মিনিষ্ট্রি



দুবাই, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী চহী ৯ লোম শুরক্লবা লানগা মরী লৈননা টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবা ৱাফম কয়া লৈখায় তানবা হোৎনবদা মতেং পাংননবা ইরান্না শেম শাদুনা লৈরে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তারদুনা টেহরান্না মরু ওইবা রিজনেল মীচং দমাস্কসকী সোভরেন্টিবুসু শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কিনা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদপু মফমদগী চিংথুবা পাল্লিবা রেবেলশিংবু শৌগত্তুনা লাক্লিবনি। অমরোমদা, ইরান অমসুং রসিয়ানা লান অদুদা অসাদকী ফোর্সশিংবু শৌগত্তুনা লাক্লিবনি। লৈবাক অহুম অসিনা কনফ্লিক্ট অদুগী মতাংদা পোলিটিকে ৱরোইশিন অমা পুরক্লবসু খুৎশম্নুনা হোৎনমিন্নদুনা লাকখি।

সিরিয়াগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী স্পেসল এনভোই গেয়র পেদরসেন অমসুং ইরানগী ওফিসলশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা মীফম অমদা টেহরানগী মায়কৈদগী সিরিয়াগী ইশ্যুশিং দিপ্লোমেসিগী খুত্থাংদা লৈখায় তান্নবগী হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম পনখি।

মীফম অদুদা ইরান্না সিরিয়াদা লৈরিবা মীচমশিংবু হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইনা শীজিন্নরোইদবনি হায়বা ৱাফম নৌহৌননা অমুক থম্নগা লোয়ননা ইরান্না ইশ্যু অদু লৈখায় তান্নবগীদমক্তা টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা ৱাতেম্নবা শেম শারে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।

ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জভদ জারিফনা টেহরানদা পেদরসেনগা তোঙান্না উনবদা সিরিয়াগী নীং তম্বা অমসুং সোভরেন্টিগা মরী লৈননা ইরান্না সিরিয়াগী ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংননবা শেম শারে হায়বা ৱাফম অসি স্পেসল এনভোইদা খঙহনখি হায়না ষ্টেট টিভিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুগী রেবেলশিংগী অরোয়বা ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা ইদলিব প্রোভিন্স পায়শিন্নবা হোৎনরকপদা মীওই মিলিয়ন তঙ্খায় অমা হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবনি।

## ম্যান্মারগী নেসনেলিষ্টশিংনা প্রো-মিলিটরি রেলি পাঙথোকখ্রে

য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারি ০৯ (এজেন্সি) :
ম্যান্মরগী নেসনেলিষ্ট চা কয়ানা মিলিটরিবু শৌগৎপা উৎলদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কম্মর্সিয়ল সিটিদা রেলি পাঙথোকখ্রে।

চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং আর্মিগী মরক্তা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা রেলি অদু পাঙথোকখিবনি।

প্রোটেষ্টর ১০০০ রোম্না য়াঙ্গোনগী মমিং লৈরবা সুৱেদাগোন পেগোদাদগী সিটি হোল ফাওবা খোঙচৎ চত্তুনা ওং সান-চুগী এদমিনিষ্ট্রেসনবু লৈবাক অদুগী মেজোরিটি ওইরিবা বুধিষ্টশিংবু ঙাকপি শেনবীবা ঙমদ্রে অমসুং মিলিটগী পৱার হন্থহন্নবা কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবগী ৱাফমশিং হৌদোকই হায়না মরাল শীখি।

এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা খরা লাকহন্নবগী ৱাফম হৌদোরকখিবদগী সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) অমসুং এমেন্দমেন্টশিংগী মতাংদা ভিটো পায়রিবা মিলিটরি লোমেকরশিংগী মরক্তা উংখৎনরকখিবনি।

রেলি অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নেসনেলিষ্ট এক্তিভিষ্ট ৱিনকোকো লাটনা কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনরিবশিংবু চৈথাংবগা লোয়ননা মখোয়বু চাইনাদা শন্দোরক্লিবা শাথিরবা কোরোনাভাইরসকা চাংদম্নখি।

রুহান সিটিগী ভাইরস কয়াম য়াম্না শাথিবগে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না উবা ফংলে হায়না লাইচৎ অদুগী ইপিসেন্টর ওইরিবা চাইনিজ সিটি অদুবু পনবগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি মদুদি, কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবা হোৎনরিবা মীওইশিং অসিনা রুহানগী ভাইরস অসিদগী হেন্না কিনিংঙাই ওই। রেলি অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা অতৈ মীওই কয়ানা ম্যান্মরগী মিনিষ্টর অমনা হৌখিবা থাদা ৱা ঙাঙবদা ইরাং হৌরিবা নেসনেলিষ্ট কয়া ফাবা ঙমখিদবগী মতাংদা মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌবা হোম এফেয়রস মিনিষ্ট্রিবু মরাল শীখিবগী থৌওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি।

